# এ এ পি প্রোটেষ্টপু অনকনষ্টিট্যুস্নেলনি হায়না লাওথোক্লবা ৱাকৎ অমা সুপ্রিম কোর্টনা লৌখিদ্রে



***ন্যু দিল্লি, জুন ১৯ :***

দিল্লিদা লেপ্টিনেন্ট গভর্ণরগী ওফিস মনুংদা দিল্লি চীফ মিনিষ্টর অর্বিন্দ কেজ্রিৱাল অমসুং মহাক্কী কেবিনেটশিংনা চথরিবা সিট–ইন প্রোটেষ্ট অদুবু অনকনষ্টিট্যুস্নেলনি হায়না লাওথোক্লবা সুপ্রিম কোর্টকী য়াথং পীবীয়ু হায়না থাঙ্গৎলকপা ৱাকৎ অথুবদা হিয়ারিং চথবিয়ু হায়বদা সুপ্রিম কোর্টনা ঙসি য়াখিদ্রে।

আই এ এস ওফিসারশিংদা মখোয়গী ষ্ট্রাইক লোইশিন্নবা পাউতাক পীবিয়ু অমসুং থবক তৌ হায়বা য়াদ্রিবামখোয়গীমথক্তা থবক লৌখৎলু হায়বা য়াওনা দিমান্দ কয়া তান্দুনা জুন ১১ গী নুমিদাংৱাইরমদগী হৌনা লেপ্টিনেন্ট গভর্ণর অনিল বাইজালগী ওফিসতা অর্বিন্দ কেজ্রিৱাল অমসুং মহাক্কী মিনিষ্টরশিংনা সিট–ইন প্রোটেষ্ট চথরকখিবনি।

জষ্টিস এস এ নাজীর অমসুং জষ্টিস ইন্দু মলহোত্রানা শাবা ভেকেসন বেঞ্চ অমনা সম্মর ভেকেসন মতূংদা ৱাকৎ অদু লৌখৎকনি হায়না ফোঙদোকখি।

পেটিস্নর হরি নাথ রামগীদমক লেপ্লিবা উকিল শশাঙ্ক সুধিরনা লেপ্টিনেন্ট গভর্ণরগী ওফিস মনুংদা চীফ মিনিষ্টরনা অনকনষ্টিট্যুস্নেল ওইবা অমসুং ইলিগেল ওইবা প্রোটেষ্ট চথবনা মরম ওইদুনা কন্সটিট্যুস্নেল ক্রাইসিস অমা থোকহল্লে হায়বা ৱাফম থন্নদুনা ৱাকৎ অদু থুনমক হিয়ারিং চথবিয়ু হায়খি।

মিষ্টর সুধিরনা হায়খি, ৱাথোক অসিগী মতাংদা ঙরাং হিয়ারিং চথখিবা দিল্লি হায়কোর্টনা মসিগী হিয়ারিংগীদমক জুন ২২ দা মতম লেপখ্রে অমসুং মদুনা মরম ওইদুনা হৌজিক সিটি অসিনা ইমর্জেন্সিগী ফিভম অমা মায়োক্ল রে। সিটিজনশিংনা ঈশিং ফংদবগী খম থেংনা ৱানরি।

থাঙ্গৎলক্লিবা ৱাকৎ অদু খুদক্তা থুনমক হিয়ারিং তৌবীয়ু হায়না হায়জরকখিবা অদু ককথৎলগা মদু কোর্ট অসিনা সম্মর ভেকেসন লোইদুনা অমুক হাংদোক্লকপদা খন্ননবা পুখৎলগনি হায়খি।

সিট–ইন প্রোটেষ্ট অদুবু অনকনষ্টিট্যুস্নেলনি হায়না লাওথোক্লবা তকশিনবদা নত্তনা চীফ মিনিষ্টর নৎত্রগা লেপ্টিনেন্ট গভর্ণরগী ওফিসকী মথক্তা থবক লৌখৎনবসু ৱাকৎখি। মদুগী মরমদি মখোয়গী অনীগী মরক্তা অমনা মীনম্মি হায়বগী মরমদগীনি হায়খি।

আই এ এস ওফিসারশিংনা ষ্ট্রাইক চথৈ হায়না চীফ মিনিষ্টর অদুনা হায়খিবনি অদুবু লেপ্টিনেন্ট গভর্ণরগী ওফিস অদুনদি ওফিসারশিং অদু য়াম্না ফজনা থবক তৌই হায়বা ৱাফম থমখি হায়না উকিল অদুনা হায়খি।

লেপ্টিনেন্ট গভর্ণরগী ওফিসতা অর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা লুচিংদুনা চথরিবা সিট–ইন প্রোটেষ্ট অদু য়াদে হায়বগী মওংদা হায় কোর্টনা হান্নদি হায়খিবনি অমসুং অসিগুম্বা প্রোটেষ্ট অসি কনানা ওথোরাইজ তৌই হায়বগী মতাংদা এ এ পি গভর্ণমেন্টনা ৱাহং হংখিবনি।

## ইন্দিয়া অমসুং ফ্রান্সনা অকনবা দিভলপমেন্ট পার্টনরসিপ শাগৎকনি ঃ সুস্মা স্বরাজ




***পেরিস, জুন ১৯ :***

ইন্দিয়াগী এক্সটর্নেল এফিয়ার্স মিনিষ্টর সুস্মা স্বরাজনা ফ্রান্সকী মকোক থোংবা লীদরশিং উন্নদুনা লৈবাক অনীমক্কী ইন্টরেষ্টশিং খন্নখিবগা লোয়ননা সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, ক্লিন ইনর্জি অমসুং ইনফ্রাষ্ট্রকচরগী হীরমশিং য়াওনা লৈবাক অনীনা অকনবা দিভলপমেন্ট পার্টনরসিপ অমা শেম্নবা হোৎনরি হায়খ্রে।

সুস্মা স্বরাজনা মহাক্কী লৈবাক মরিগী খোঙচৎকী অনীশুবা তাঙ্কক্তা ঙরাং রোমদগী পেরিসতা থুংলখিবনি। মহাক্না ফ্রান্সকী প্রসিদেন্ট ইমানুৱেল মেক্রোন উন্নখি অমসুং চহী অসিগী মার্চ থাদা ইন্দিয়াদা লাকখিবা মেক্রোনগী খোঙচৎ মনুংদা ৱারী শান্নখিবশিং অদুগী মখা তাবা খোঙথাংগী মরমদা খন্ন–নৈনখি।

মহাক্না মহাক্কী ফ্রেঞ্চ কাউন্টরপার্ট জিন–য়িবস লে দ্রিয়ানসু উন্নখি অমসুং লুচিংবা অনী অসিনা লৈবাক অনীগী লৈনরিবা মরী পূম্নমক্কী মতাংদা হকচিন্না অমসুং অফবা মওংদা খন্ন–নৈনখি হায়না এক্সটর্নেল এফিয়ার্স মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাংলোই রবীস কুমারনা হায়খি।

ঐখোয়গী ট্রেদ, কেপিতেল টেক্নোলোজিদা পার্টনরসিপ ওইরিবসি য়াম্না ফজনা গ্রোথ লৈরে। হৌখিবা চহীদা বাইলেতরেল ট্রেদ য়ুরো বিলিয়ন ৯.৮৫ (য়ু এস দোলর বিলিয়ন ১০.৯৫) য়ৌখ্রে। অদুবু কুমজা ২০২২ ফাওবগী মনুংদা য়ুরো বিলিয়ন ১৫ গী তার্গেট অদু ফংবা ঙম্নবা ঐখোয়না হেন্না কন্না চঙশিনবা মথৌ তারি হায়না সুস্মা স্বরাজগী ৱাফম পল্লদুনা ৱাঙাংলোয় অসিনা হায়খি।

এক্সটর্নেল এফিয়ার্স মিনিষ্টর স্বরাজনা প্রসিদেন্ট মেক্রোনগী দিপ্লোমেটিক এদভাইজর ফিলিপ এতিয়েনগসু উন্নখি অমসুং হীরম কয়ামুক খন্নখি।

ইন্দিয়া অমসুং ফ্রান্সনা মখোয়গী ষ্ট্রেতেজিক পার্টনরসিপ ওইরকপগী চহী ২০ শুরকপগী থৌরমসু পাঙথোক্লি।

# এম পি, এম এল এ শিংগী মথক্তা লৈবা কেস ৭৯১ ফাষ্ট–ট্রেক কোর্টশিংদা হোংখ্রে ঃ *রবি শঙ্কর প্রসাদ*



***ন্যু দিল্লি, জুন ১৯ :***

এম পি শিং অমসুং এম এল এ শিংগী মথক্তা লৈবা কেস ৭৯১ খোঙলৈ থুনা ৱায়েল লোইশিন্নবগীদমক লীংখৎপা ফাষ্ট ট্রেক কোর্ট ১২ দা গভর্ণমেন্টনা ট্রান্সফর তৌখ্রে হায়না লো মিনিষ্টর রবি শঙ্কর প্রসাদনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

হৌখিবা চহী ৪ দা গভর্ণমেন্টনা পাঙথোকপা ঙমখিবা থবকশিংগী মতাংদা মেদিয়াদা পাউদম পীখিবা মিনিষ্টর অদুনা হায়খি, লোমেকরশিংগী মথক্তা লৈবা কেসশিং খোঙলৈ থুনা ৱায়েল চথবা ঙম্নবগীদমক এপেক্স কোর্টকী পাউতাক মখাদা গভর্ণমেন্টনা ষ্টেট ১১ দা ফাষ্ট ট্রেক কোর্ট ১২ লীংখৎখ্রবনি। মরকসিদা নুংঙাইহরিবা ৱাফম অমদি কনভিক্সন ফংলবা এম পি শিং অমসুং এম এল এ শিংবু মীখলদা মীরেপ ওইবা য়াবদগী অথিংবা থম্নবা ইলেক্সন কম্মিসন্না দিমান্দ তৌখ্রে।

এম পি শিং অমসুং এম এল এ শিং পূন্না ১৭৬৫, নৎত্রগা পার্লিমেন্টরিয়ান অমসুং এম এল এ শিংগী চাদা ৩৬ কেস ৩,০৪৫ দা ক্রিমিনেল ট্রায়েল মায়োক্লরি হায়না ইফিদেভিট অমদা গভর্ণমেন্টনা সুপ্রিম কোর্টতা চহী অসিগী অঙনবদা হায়খিবনি। পার্লিয়ামেন্ট অমসুং এসেমব্লিশিংদা লৈরিবা লোমেকরশিংগী অপুনবা মশীং অসি ৪,৮৯৬ নি।

কেসশিং অসি লোয়নমক চহী অমগী মনুংদা ৱায়েল চথবা লোইশিন্নবগীদমক ফাষ্ট ট্রেক কোর্টশিংদা শিন্নখিনবা সুপ্রিম কোর্টনা গভর্ণমেন্টতা পাউতাক পীখি।

সেন্টরনা সুপ্রিম কোর্টকী মমাঙদা থমখিবা এফিদেভিট অমদা লোমেকরশিংগী মথক্তা পন্দুনা লৈরিবা কেসকী মশীং ষ্টেট–ষ্টেটকী ওইনা উৎখি। ফাষ্ট–ট্রেক কোর্ট (এফ টি সি) শিং লীখৎপগী মরম অসি অসিগুম্বা কেসশিং অসি নোংম–নোংমগী ওইবা য়ুম্ফমদা মপূং ফানা হিয়ারিং চথবা ঙম্নবনি। লোমেকরশিংগী মথক্তা কেস মশীং খ্বাইদগী য়াম্না লৈবসি উত্তর প্রদেসতনি। মদুগী মথংদা লৈরিবসিনা তামিলনাদু, বিহার, ৱেষ্ট বেঙ্গল, অন্ধ্র প্রদেশ অমসুং কেরলানি।

এম পি শিং অমসুং এম এল এ শিংগীদমক লীংখৎপা এফ টি সি শিং দিল্লি, অন্ধ্র, টেলঙ্গনা, তামিল নাদু, কেরলা, কর্নাটকা, মহারাষ্ট্র, মধ্য প্রদেশ, য়ু পি, বিহার অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্গলদা লৈ। গভর্ণমেন্টনা লীংখৎখিবা এফ টি সি অসি পূন্না ৭২৭ নি। মসিগী মনুংদা নুপীশিং, এস সি/ এস টি, অঙাংশিং অমসুং অহল ওইবরবা মীওইশিংগী মথক্তা লৈবা কেসশিং ৱায়েল চথবা থিজিন্নবা কোর্টশিংসু য়াওরি।

হান্না কুমজা ২০১৫ দা এফ টি সি ২৮১ লৈরম্বদগী কুমজা ২০১৮ দা ৭২৭ তা হেনগৎহল্লকখিবনি হায়না লো মিনিষ্টরনা হায়খি।

## ইন্দিগো ফ্লাইট থুগাইগনি কিহল্লকখ্রে

***ন্যু দিল্লি, জুন ১৯ :***

ইন্দিগো এয়ারলাইন্সকী জয়পুর–মুম্বাই ফ্লাইটতা বোম এটেক তৌদুনা থুগাইগনি হায়না কিহল্লকখ্রে।

ঙসি অয়ূক অঙনবদা ইন্দিগো এয়ারলাইন্সকী কোল সেন্টরনা শকখঙদবা মীওই অমদগী ঙসি অয়ূক পূং ৫.৩০ রোম তাবদা জয়পুর–মুম্বাই ফ্লাইটতা বোম এটেক তৌগনি হায়না কিহল্লকখিবা টেলিফোন কোল অমা ফংখি।

টেলিফোনদা শকখঙদবা মীওই অদুনা কিহল্লকখিবা ৱারোল অদু ঐখোয়না খুদক্তা বোম থ্রেট এসেসমেন্ট কম্মিটি (বি টি এ সি) দা পাউ পীখ্রে অমসুং মদুগী মতূংদা কম্মিটি অদুনা সেক্যুরিটি প্রোতোকোল পূম্নমক চথখ্রে হায়না ইন্দিগো এয়ারলাইন্সনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি।

থৌদোক অসি মরী লৈনবা ওথোরিটিজনা ইনভেষ্টিগেসন চথরে। ইনভেষ্টিগেসন অদুনা টেলিফোন কোল অদু অকক্লবা বোম থ্রেট অমনি হায়না লাওথোকখ্রে। বোম থ্রেট অদুগা মরী লৈননা মথৌ তাবা থিজিন–খোমজিনবা পূম্নমক পাঙথোক্তুনা শোয়–ঙাম্বা থোক্লরোই হায়বগী ক্লিয়ারেন্স তৌরবা তুংদা মহৌশাগুম ফ্লাইট ওপরেসন অমুক নৌনা চথগনি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তাখি। অতৈ অকূপ্পা পাউ ঙাইরি।

মার্চ থাদা মসিগা মান্নবা থৌদোক অমদা এয়ার ইন্দিয়াগী কোল সেন্টরনা বোম এটেক তৌগনি হায়বগী পাউ অমা ফংবদগী দিল্লি–কোলকটা এয়ার ইন্দিয়া ফ্লাইট, এ আই–০২০ অদু দিল্লি এয়ারপোর্টতা অমুক হল্লকখিবনি।

## য়ু এস সিনেটনা ইন্দিয়াগা দিফেন্সকী মরী কনখৎহন্নবা পান্দম থম্বা দোলর বিলিয়ন ৭১৬ কী বিল পাস তৌখ্রে

***ৱাসিংটন, জুন ১৯ :***

য়ু এস সিনেটনা অচৌবা মেজোরিটি অমগা লোয়ননা য়ু এস দোলর ৭১৬ বিলিয়নগী দিফেন্স বিল অমা ঙসি পাস তৌখ্রে। বিল অসিনা য়ু এস না অচৌবা দিফেন্স পার্টনর ওইরিবা ইন্দিয়াগা মরী কনখৎহন্নবা পান্দম থম্লি।

ভোট ৮৫–১০ দা পাস তৌখিবা নেস্নেল দিফেন্স ওথোরাইজেসন এক্ট (এন দি এ এ) ২০১৯ অসিবু হৌখিবা থা কয়ামরুমদগী হৌনা কেন্সর লায়না মায়োক্লরিবা সিনেট আর্ম সার্ভিসেস কম্মিটি চিয়ার্মেন জোন মেকেনবু ইকাইখুম্নদুনা মহাক্কী মমিং থোল্লি।

লেজিসলেসন অসিনা ঐখোয়গী রিফোর্ম এজেন্দা মখা চথহল্লি অমসুং নেস্নেল দিফেন্স ষ্ট্রেতেজি থবক ওইনা পাঙথোক্লবা জোইন ফোর্স অমসুং দিপার্টমেন্ট ওফ দিফেন্সকী হেন্না ফবা পোজিসন অমা ফংবদা মতেং পাংই হায়না মেকেনা হায়খি।

হাউসনা বিল অদু হান্ননা পাস তৌখ্রে। মসিগা মান্নবা বিল অমা জোইন্ট কম্মিটিনা হেক য়াবগা হাউসনা অমসুং সিনেটনা মদু ভোট লৌনগনি। মদুগী মতূংদা য়ু এস প্রসিদেন্টকী অয়াবা লৌনবগীদমক হ্বাইট হাউসতা থাবিগদবনি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা কুমজা ২০১৬ তা মেজর দিফেন্স পার্টনর অমা ওইনা ইন্দিয়াবু রিকোগনাইজ তৌখি। মেজর দিফেন্স পার্টনর অমা ওইবা হায়বসিনা ইন্দিয়াবু য়ু এস কী অতৈ খ্বাইদগী নকুবা এলাইজশিং অমসুং পার্টনরশিংগা মান্ননা য়ু এস তগী এদভান্স ওইরবা অমসুং সেন্সিটিভ ওইরবা টেক্নোলোজিশিং হেন্না লৈবা য়াহল্লি। মসিনা মতূংদা তুং কেইবা কোওপরেসন লৈহল্লকই।

## সাউথ কোরিয়া অমসুং য়ু এস না মিলিটরি দ্রিলশিং লেপ্লগনি হায়বগী চপ চাবা ৱাফম ফোঙদোকখ্রে

***সিওল, জুন ১৯ :***

সাউথ কোরিয়া অমসুং য়ু এস না তৌগনি তৌরম্বা জোইন্ট মিলিটরি দ্রিলশিং অদু তোক্লগনি হায়না অশেংবা অরেপ্পা ৱাফম অমা ঙসি ফোঙদোক্লকখ্রে। মিলিটরি দ্রিলশিং তোকপা হায়বসি নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা কিমগা সিঙ্গাপোরদা উন্নখিবদা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা ৱাশকখিবনি।

হেক থংননা অৱাং থংবদা লৈরিবা নোর্থ কোরিয়াগী লান তৌগনবা লীচৎতগী সাউথ কোরিয়াবু ঙাকথোকপদা মতেং পাংনবা লৈবাক অসিদা য়ু এস লান্মী লীশিং কয়ামরুম লৈ। অপুনবা জোইন্ট মিলিটরি দ্রিলশিং অদু তোক্লবনা আগষ্ট থাদা পাঙথোক্কনি তৌরম্বা উলচি ফ্রীদম গার্জিয়ান এক্সর্সাইস অদুদসু শোকহল্লগনি। মখা তাবা খোঙথাংশিংগীদমক মখা তানা খন্ননবা সাউথ কোরিয়া অমসুং য়ু এস না থৌরাং তৌরি হায়না সাউথকী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা হায়খি। অতৈ পাঙথোক্কদবা দ্রিলশিংগীদমক ৱারেপ অমত্তা লৌবা লৈত্রি।

জোইন্ট মিলিটরি দ্রিলশিং তোকপগী ৱাফম অদু ফোঙদোক্লদুনা পেন্টাগোনগী ৱাঙাংলোয় নুপী দানা হ্বাইটনা হায়খি, ঐখোয়না হৌজিকসু অহেনবা থবকশিং মরী লৈননা চথরি। মথংদা চথগদবা ৱার গেমশিংগীমতাংদা ৱারেপ অমত্তা লৌদ্রি। অদুবু কোরিয়ান পেনিনসুলাগী ৱাংমদা চথগদবা পেসিফিক এক্সর্সাইসশিংদদি মসিনা অকায়বা অমত্তা পীদে হায়না মহাক্না হায়খি।

য়ু এস দিফেন্স সেক্রেটরী জিম মেত্তিস, সেক্রেটরী ওফ ষ্টেট মাইক পোম্পিও অমসুং নেস্নেল সেক্যুরিটি এদভাইজর জোন বোলতোনা চয়োল অসিগী অথেংবদা হীরম অসি খন্ননবা পেন্টাগোনদা উন্নগনি।

কোরিয়ান পেনিনসুলাদা ৱার গেমশিং চথবা তোকপগী সাউথ কোরিয়া অমসুং য়ু এস কী ৱারেপ অসিনা য়ু এস কা জপানগা পূন্না চথগদবা এক্সর্সাইসশিংদদি শোকহল্লোই।

য়ু এস সেক্রেটরী ওফ ষ্টেটকা ৱারী শান্নবদা জপান অমসুং য়ু এস কী মরক্তা তৌনগদৌরিবা মিলিটরি দ্রিলশিং অদু ঐখোয়না অদুম্মক চথগনি হায়বা অরেপ্পা খঙলে হায়না জপানগী ফোরেন মিনিষ্টর তারো কোনোনা তোকিয়োদা হায়খি।

## ফেক্ট–চেক্কিংগী মতাংদা গুগলনা ইন্দিয়ান জর্নেলিষ্ট ৮,০০০ তম্বীগদৌরি

***ন্যু দিল্লি, জুন ১৯ :***

অরানবা অমসুং মীনম্বা পাউশিংগী লাংদা থুগদবদগী জর্নেলিষ্টশিংবু ঙাকথোক্লবা গুগলনা ইংলিশ লোন্দা অমসুং ইন্দিয়াগী অতৈ লোল তরুক্তা মথংগী চহী অমদা জর্নেলিষ্ট ৮,০০০ বু ট্রেনিং পীরগনি হায়না গুগল ইন্দিয়ানা ফোঙদোকখ্রে।

মসিগীদমক গুগল ন্যুজ ইনিসিয়েটিভ ইন্দিয়া ট্রেনিং নেটৱার্কনা ইন্দিয়াগী মফম কন্দুনা লৈরিবা সিটিশিংদগী জর্নেলিষ্ট ২,০০০ খনগৎকনি। মখোয়না নুমিৎ মঙানি ট্রেন–দ–ট্রেনর বুট কেম্পশিংদা জর্নেলিষ্টশিংগী হৈ–শিংবা ভেরিফিকেসন তৌগনি অমসুং ট্রেনিং তৌগনি। বুট কেম্পশিং অসি ইংলিশ অমসুং অতৈ ইন্দিয়াগী লোল তরুক্তা পাঙথোক্কদবনি।

মদুগী মতূংদা সার্টিফাইদ ট্রেনরশিংগী নেটৱার্ক অসিনা শীনবা নুমিৎ নীনিগী, নোংমগী অমসুং নোংমা তঙ্খাইগী ৱার্কসোপশিংদা অতৈ জর্নেলিষ্ট খরা হেন্না ট্রেনিং পীগনি। ট্রেনিং ৱার্কসোপশিং অসি ইংলিশ, হিন্দি, টেলুগু, বেঙ্গলি, মরাথি অমসুং কানাদা লোলদা তৌগনি। ট্রেনিং অসি ইন্দিয়াগী মফম কয়াদা লৈরিবা সিটিশিংদা পাঙথোক্কদবনি হায়না ষ্টেটমেন্ট অমদা গুগল ইন্দিয়ানা হায়খি।

ট্রেনিং অসিগী অমত্তা ওইবা পান্দমদি ফেক্ট–চেক্কিং , ওনলাইন ভেরিফিকেসন অমসুং জর্নেলিষ্টশিংগীদমক দিজিতেল হায়জিননি। মসিদা শীংনগদৌরিবসি ফার্ষ্ট দ্রাফ্ট, ষ্টোরফুল, ওল্টন্যুজ, বুমলাইব, ফেক্টচেক্কর.ইন অমসুং দেতালিদসতগী এক্সপার্টশিংনা শেম্বা করিকুলমনি।

ঐখোয়গী পন্থুংদি ট্রেনর ২০০ হেন্না ট্রেন তৌবনি ট্রেনরশিং অসিনা মখা তানা মথং চহীদা লোল তরুক্তা জর্নেলিষ্ট ৮,০০০ ট্রেনিং পীগনি। মসি মালেমগী মনুংদা গুগলগী খ্বাইদগী চাউবা ট্রেনিং নেটৱার্ক ওইরগনি হায়না গুগল ন্যুজ লেব লিদ, এসিয়া–পেসিফিক্কী ইরেনে জেয় লিউনা হায়খি।

# যোগ গুরু বাবা রামদেবগী পটাঞ্জলিনা মেগা ফুদ পার্ক লীংখৎনবা য়ু পি গভর্ণমেন্টকী অয়াবা ফংখ্রে

***লক্ষনৌ, জুন ১৯ :***

পটাঞ্জলি আয়ুরবেদ প্রাইভেট লিমিটেদতা লুপা ক্রোর লীশিং ৬ কী মেগা ফুদ পার্ক অমা লীংখৎনবগীদমক গ্রেটর নোইদাদা লৈবা মসিগী সবসিদিয়ারি কম্পনিদা মখোয়গী লম ট্রান্সফর তৌবা উত্তর প্রদেশ গভর্ণমেন্টনা ঙসি অয়াবা পীখ্রে।



ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী ৱারেপ অসিনা হরিদ্বারদা লৈবা ফার্ম অসিবু, লম লৌশিনবা য়াওনা ফুদ পার্ক অদুগীদমক অরোইবা অয়াবা ফংনবগী তোঙান তোঙানবা কন্দিসনশিং পাঙথোক্লবা সেন্টরনা মতম থাখিবা জুন ৩০ গী দেদলাইন অদুগী মনুংদা থবক পাঙথোকপা ঙমহল্লগনি।

পটাঞ্জলিদা মসিগী সবসিদিয়ারি ফার্মদা পটাঞ্জলিগী লম ট্রান্সফর তৌবা অয়াবা পীনবা চীফ মিনিষ্টর যোগি অদিত্যনাথনা তাঙবল লৌখিবা ষ্টেট কেবিনেট মীফম অমদা ৱারেপ লৌখিবনি।

পটাঞ্জলি গ্রুপ অসি ইন্ভেষ্টরশিংনা য়াম্না শেল থাদনিংবা মতম অমদা মখোয়না মখোয়গী ফুদ পার্ক অদু ষ্টেট অসিগী মপান্দা হোংদোক্লগনি হায়না কিহন্দুনা অকনবা শাফু পীরকপদগী গভর্ণমেন্টকী ৱারেপ অসি লৌরকখিবনি।

প্রোজেক্ট অদু তোক্লবা গ্রুপ অদুনা কিহল্লকখ্রবগী নোংমগী মতুংদা বি জে পি প্রসিদেন্ট অমিট সাহনা পার্টিগী সম্পর্ক ফোর সমরথন কেম্পেনগী মখাদা রামদেব উন্নখি অমসুং চীফ মিনিষ্টর যোগি অদিত্যনাথনা রামদেব অমসুং পটাঞ্জলি গ্রুপ সি ই ও আচার্য্য বালকৃষ্ণবু মশামক চৎতুনা উন্নখি অমসুং পাংবা য়াবা মতেং পূম্নমক পাংগনি হায়না মখোয়দা থাজবা পীখি।

সবসিদিয়ারি কম্পনি অদুগী মমিংদা লম লৈত্রবসু ফুদ পার্ক অদু লীংখৎনবগীদমক লুপা ক্রোর ১৫০ গী গভর্ণমেন্ট সবসিদি অমা পীনবা পটাঞ্জলিনা হায়জখি। মসি পটাঞ্জলিনা মাগী সবসিদি কম্পনি অসিদা লম ট্রান্সফর তৌনবগী হায়জরকখিবা অদুগা লোয়ননি।

লীংখৎকনি হায়রিবা মেগা ফুদ পার্ক অদু লীংখৎনবগীদমক অরোইবা অয়াবা ফংনবগী মথৌ তাবা লম লৌশিনবনচিংবা কন্দিসনশিং মপূং ফানা পাঙথোক্লবা পটাঞ্জলি অয়ুরবেদদা নুমিৎ ১৫ নিগী মতম হেন্না জুন ৩০ ফাওবা মতম পীখিবনি।

উত্তর প্রদেশ গভর্ণমেন্টনা য়ুনিয়ন ফুদ প্রোসেসিং মিনিষ্ট্রিদা মতম হেন্না পীনবা হায়জখিবদগী জুন ৩০ ফাওবগী মতম পীরকখিবনি। কম্পনি অসিনা মখোয়গী পটাঞ্জলি ফুদ এন্দ হর্বেল পার্ক অদুগী খূথাংদা যমুনা এক্সপ্রেস ৱে পরীংদা লম একর ৪২৫ গী মথক্তা প্লান্ট অমা লীংখৎনবা লুপা ক্রোর ৬,০০০ ফাওবা য়ৌনা ইনভেষ্ট তৌনবা কম্পনি অসিনা প্রপোজ জৌখি।

কুমজা ২০১৬ তা যমুনা এক্সপ্রেস ৱেগী পরীংদা পটাঞ্জলিদা লম এলোকেট তৌখিবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর এন্দ ইন্দষ্ট্রিয়েল দিভলপমেন্ট পোলিসি, ২০১২ না লমবু অমুক মখা তানা সবলিজ তৌবা য়াহন্দবনা পটাঞ্জলিগী সবসিদিয়ারি কম্পনি 'পটাঞ্জলি ফুদ এন্দ হরবেল পার্ক নোইদা প্রাইভেট লিমিটেদ' তা লম পীনবা অয়াবা পীবিয়ু হায়জরকখিবদু ৱারেপ লৌদনা লৈরকখিবনি।

পটাঞ্জলিনা মখোয়গী লম একর ৯১ বু মখোয়গী সবসিদিয়ারি অসিদা অমুক ট্রান্সফর তৌবা পান্দনি।

## GAS TODAY

**Manipur Gas**
Booking : 23/04/18
Valid : 20/04/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 09.30 a.m

**Lambodara Indane Service**
Booking : 19/06/18
Valid : 12/06/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**Nongpok Sekmai Indane**
Booking : 21/05/18
Stk : 200
Time : 07.00 to 10.00 a.m
Delivery Point Charangpat

**R B D Indane**
Booking : 07/05/18
Valid : 27/04/18
Time : 06.30 to 10.30 a.m

**Misao Gas Service**
Booking : 10/05/18
Valid : 30/04/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**Khumbong Indane**
Booking : 19/05/18
Valid : 17/05/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**K & K Indane**
Booking : 06/06/18
Valid : 29/05/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 11.00 a.m

**Hiyangthang Indane**
Booking : 08/05/18
Valid : 04/05/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m

**Yairipok Gas Service**
Booking : 26/05/18
Valid : 18/05/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Mahalakshmi Indane**
Booking : 08/05/18
Sl. No. 218099
Valid : 02/05/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Porompat Indane**
Booking : 16/05/18
Valid : 26/04/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m
New Connection Available

**R & H Indane**
Booking : 06/05/18
Valid : 24/04/18
Stk : 612
Time : 08.00 to 11.00 a.m

**Athokpam Indane**
Booking : 06/05/18
Valid : 26/04/18
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Khongnang Gas Ningthoukhong & Bisnupur**
Booking : 07/06/18
Valid : 05/06/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Sawombung Indane**
Booking : 29/05/18
Valid : 17/05/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**Imphal LPG**
Booking : Upto Date
Stk : 450/19kg 180

**সনা–সুদোকু –১২০২ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 9 | 2 | 8 | 5 | 6 | 4 | 7 | 3 | 1 |
| 7 | 1 | 4 | 3 | 2 | 9 | 8 | 6 | 5 |
| 3 | 6 | 5 | 7 | 8 | 1 | 2 | 4 | 9 |
| 2 | 7 | 9 | 1 | 4 | 5 | 3 | 8 | 6 |
| 8 | 3 | 1 | 6 | 7 | 2 | 5 | 9 | 4 |
| 4 | 5 | 6 | 9 | 3 | 8 | 1 | 2 | 7 |
| 6 | 4 | 3 | 8 | 5 | 7 | 9 | 1 | 2 |
| 1 | 8 | 7 | 2 | 9 | 6 | 4 | 5 | 3 |
| 5 | 9 | 2 | 4 | 1 | 3 | 6 | 7 | 8 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1203**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 9 | 7 | | | | | | 1 | |
| | | | 5 | | | | 8 | |
| | | | | 9 | 3 | | | |
| 2 | | | | 7 | | 5 | | |
| 5 | | | | | | 3 | | 6 |
| | 1 | | | | 5 | | | 9 |
| | 6 | 3 | | | 8 | | | |
| | | | | 2 | 6 | 4 | 9 | |
| | | 2 | | | | 6 | 3 | |